# সেপরেটিষ্টশিংগী প্রোটেষ্ট মাঙওইননা কাশ্মীরদা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থমখ্রে, লুচিংবা খরা ফাগৎখ্রে



শ্রীনগর, জুলাই ২৯ (এজেন্সী) :
সেপরেটিষ্টশিংগী খোঙজং মাঙওইননা কাশ্মীর তম্পাক্তা ওথোরিটিনা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থমখিবগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা সেপরেটিষ্ট লীদর কয়া ফাগৎখ্রে।

পুলিসকী সিনিয়র ওফিসল অমনা হায়খি, শ্রীনগর য়াওনা কাশ্মীর তম্পাক্কী মফম অয়াম্বদা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থল্লে। খুন্নাইগী মায়োক্তা লৈবা মীওইশিংনা খুদোংথীবা থোকহল্লকপা য়াই খনবদগী মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা অথিংবা থমখিবনি।

সেপরেটিষ্টশিংনা জুলাই ৩১ ফাওবা মখা তানা খোঙজং চঙশিনখিগনি হায়না লাউথোরকপগা লোয়ননা কাশ্মীর তম্পাক্তা মহৌশাগী পূন্সিদা চাউনা অকায়বা থোকহনখ্রে। অদুমওইনমক নুমিদাং পুং ৭ কী মতুংদা তঙাইফদবা ইমুং-মনুংগী শীজিন্নগদবা পোৎ-চৈ লৈনবগীদমক মতম খরা অথিংবা কোমথোক্কনি হায়রি।

য়ুমশকৈশ নুমিৎতা অন্তনাগ য়াওনা সাউথ কাশ্মীরগী দিষ্ট্রিক্ট অহুমখক্তা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থমখিবনি। শ্রীনগরদা মহৌশাগী মতৌগুম লম্বীদা মী থোক্নুরকখিবগা লোয়ননা লন্নাই গাড়ী কয়া উবা ফংখি।

চীফ মিনিষ্টর মেহবুবা মুফটিনা মীয়ামগী খোঙজং হন্দোকপীনবা আপিল তৌরদুনা হায়খি মদুদি, সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা অনন্তনাগ দিষ্ট্রিক্টকী য়ুম অমদা হিজবুল মুজাহিদীনগী কম্মান্দর বুরহান ৱানি লৈ হায়বা খঙখিদে। করিগুম্বা খঙলম্বা থোক্লবদি নোংমৈ কাপশিন্দ্রিঙৈদা খুৎলাই থাদোক্তুনা চঙজরক্নবগী তাঞ্জা অমা হান্না শোয়দনা পীরমগনি। জুলাই ৮ দা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা বুরহান ৱানি হাৎখ্রবা মতুংদা মীয়ামগী ঈহৌ লাকপদগী সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা ঈহৌ নমথনবা হোৎনবদা মীচম ৪৮ য়াওনা মীওই ৫০ শিবা লৈখ্রবনি।

অমরোমদা, সেপরেটিষ্ট লীদরশিংনা হিষ্টরিক ওইবা নোহটাগী জমিয়া মসজিদ তম্না খোঙচৎ অমা চৎনবা থৌরাং তৌরকপদগী পুলিসনা সয়দ অলি সাহ গিলানি অমসুং মিরৱাইজ উমর ফরুক য়াওনা সেপরেটিষ্ট লীদর কয়ামরুম মাঙজৌননা ফাজিনখি।

হুরিয়ট কনফরেন্সকী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি মদুদি, হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থল্লিবা গিলানিনা অথিংবা শীংনদুনা মীয়ামগী খোঙচৎ য়াওনবা থৌরাং তৌরকপদগী পুলিসনা ফাজিনখি। পুলিসকী টিম অমনা গিলানিবু ফারগা হমহমা পুলিস ষ্টেসনদা পুখিরম্মী।

হুরিয়ট কনফরেন্সকী চ্যেরমেন মিরৱাইজ উমর ফরুকসু জমিয়া মসজিদ তম্না চৎনবা হোৎনরিঙৈদা পুলিসনা ফারগা নিগিন পুলিস ষ্টেসনদা পুখিরম্মী। সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা কাশ্মীর তম্পাক্তা মীচম কয়া হাৎপগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা সেপরেটিষ্টশিংনা জমিয়া মসজিদ ফাওবা খোঙচৎ অমা চৎনবা থৌরাং তৌখিবনি। খোঙচৎ অদুগী মাঙওইননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা ওথোরিটিশিংনা পামদবা থৌদোক থোকহন্দনবগীদমক কর্ফিয়ুগী অথিংবা থমখি।

মহৌশাগী মতৌগুম জমিয়া মসজিদতা ঙসি ইরাই নুমিৎকী লাইশোন থৌরম পাঙথোকখিদ্রে।

মরকসিদা, পাকিষ্টানগী য়ুনাইটেদ নেসন্সতা এম্বেসেদর ওইরম্বা হুসেন হক্কানিনা হায়খ্রে মদুদি, ইন্দিয়া নৎত্রগা পাকিষ্টাননা কাশ্মীরগীদমক থোইদোক্লা নুংনাংবা পোক্লোইদবনি।

পাকিষ্টান ওক্যুপাইদ কাশ্মীর (পি ও কে) দা মীখলগা মরী লৈননা থোরক্লিবা ৱাথোক অসি পাকিষ্টাননা অদুমক সোল্ব তৌজগনি। অমরোমদা, কাশ্মীরদা থোক্লিবা ৱাথোক অসিনা ইন্দিয়ানা ৱারোইশিন পুরক্কদবনি। অমনা অমগী থবক থৌরমদা খুৎ থিংজিল্লোইদবনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা হক্কানিনা হায়খি, গিলগিষ্টান অমসুং পি ও কেদা থোরক্লিবা থৌদোক অসি পাকিষ্টানদা সোল্ব তৌহনগদবনি। ইন্দিয়ারোম থংবা কাশ্মীরদা থোক্লিবা ৱাথোক অসিবুনা ইন্দিয়াদা ৱারোইশিন পুরকহনগদবনি।

ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টাননা কাশ্মীরগী মতাংদা য়েৎনদুনা লৈবগী মহুৎতা য়ুমলোন্নবা লৈবাক অনী অফবা মরী থম্নদুনা করি করম্বা মওংদা ৱারোইশিন পুরকপা য়াগদগে হায়বদুগী মতাংদা কুপ্না খন্নবা মথৌ তাই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। হাফিস সয়দ অমদি অতৈ টেররিষ্টশিংগী মতাংদা হক্কানিনা হায়খি, অসিগুম্বা মীওইশিংনা লৈবাক অনীগী মরক্তা য়েংথীহন্নবা মরম ওইহল্লে। হৌজিকমক্কী ওইনদি লৈবাক অনীনা য়ানদবা অমদি য়েৎনরিবা ৱাফম পুম্নমক নকোয়ননা থম্লগা অফবা মরী পুরক্নবা হোৎনফম থোকই।

# বি জে পিদগী তান্থোকখ্রবা দয়াশঙ্কর সিংহ বিহারদা ফারে



পাটনা, জুলাই ২৯ (এজেন্সী) :
বহুজন সমাজ পার্টি (বি এস পি)গী লুচিংবী ময়াৱতিগী মায়োক্তা ফজদবা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নরুবগীদমক ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)দগী তান্থোকখ্রবা দয়াশঙ্কর সিংহবু ঙসি বিহারগী বুক্সারদা পুলিসনা ফাখ্রে।

হৌখিবা জুলাই ১৯ দা পাঙথোক-খিবা পাউগী মীফম অমদা বি এস পিনা টিকেট পীবগা মরী লৈননা ময়াৱতিবু ওক্তবীগা চাংদম্নরুবগীদমক থংনবা নুমিৎতা বি জে পিনা দয়াশঙ্করবু পার্টিদগী তান্থোকখিবনি।

এদিসনেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস কেসব য়াদবনা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, উত্তর প্রদেশকী স্পেসল টাস্ক ফোর্স (এস টি এফ) অমসুং বিহার পুলিসকী অপূনবা টিম অমনা দয়াশঙ্করবু বুক্সারগী চিনি মিল এরিয়াদগী ফাখি। অথুবা মতমদা উত্তর প্রদেশতা পুনবা থৌরাং তৌরগনি হায়রি।

দয়াশঙ্কর সিংহনা ময়াৱতিগী মায়োক্তা ফজদবা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নদুনা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লু বগীদমক হজরটগঞ্জ পুলিস ষ্টেসনদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌরকপা লৈখি। ৱাফম অসিগা মরী লৈননা পার্লিয়ামেন্টকী মীফমদা চরাংনবা থোকপসু লৈখি।

দয়াশঙ্করগী মায়োক্তা থাঙ্গৎলকখিবা এফ আই আর অদু কক্পীনবা অলাহবাদ হায় কোর্টতা পিটিসন অমা থাঙ্গৎলকখ্রবা মতুংদা হায় কোর্টকী বেঞ্চ অমনা অয়াবা পীখিদবগা লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা পাউখুম পীরক্নবা খঙহনবা লৈখ্রবনি। জষ্টিশ অজয় লম্বা অমসুং জষ্টিশ রবিন্দ্রনাথ মিশ্রাগী বেঞ্চনা ওগষ্ট ৮ দা মথংগী হিয়ারিং চৎথগনি হায়না মতম লেপখি।

বি এস পিগী লুচিংবী ময়াৱতিগী মায়োক্তা ফজদবা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নদুনা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লুব-গীদমক বি জে পিদগী তান্থোকখ্রবা দয়াশঙ্করবু বুক তৌবা লৈখ্রবনি। দয়াশঙ্করনা মহাক্কী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা এফ আই আর অদু কক্পীনবা হায় কোর্টতা ৱাকৎখি।

নাকল অমরোমদা, বি জে পিগী নুপী লুচিংবী অমসুং ৱার্করশিংনা বি এস পিগী লুচিংবা নসিমুদ্দিন সিদিকি ফাগদবনি হায়না ষ্টেট কেপিটেলদা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

দয়াশঙ্করগী লোয়নবী অমসুং মচানুপীগী মফমদা ফজদবা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নখিবগীদমক বি এস পিগী লুচিংবা নসিমুদ্দিন সিদিকিবু খুদক্তা ফাগদবনি হায়না বি জে পিগী নুপী ৱার্করশিংনা তকশিনখি।

অমরোমদা, বি জে পিগী লুচিংবা কেসব মোরিয়ানা ব্লদ প্রেসর লো ওইবগা লোয়ননা সীটিগী হোস্পিটাল অমদা লায়েংলিবী দয়াশঙ্করগী লোয়নবী স্বতি সিংহগী মনাক্তা চৎতুনা অনাবা হংখ্রে।

অমরোমদা, ময়াৱতিনা শেল খ্বাইদগী য়াম্না পীবা মীশক্তা পার্টিগী টিকেট পী হায়বা ৱাফম অদু বি এস পিগী লেজিসলেটর অনীনা লৌগৎখ্রে। ব্রিজেস বর্মা অমসুং রোমি শাহনিনা হায়খি, ময়াৱতি অমসুং বি এস পিগী জেনরেল সেক্রেটরি নসিমুদ্দিন সিদিকিনা শেল খ্বাইদগী য়াম্না পীবা ঙম্বা মীশক্তা পার্টিগী টিকেট পীরি।

# কোংগ্রেসনা থবক ফংদবগী ৱাফম পুখৎলকপদগী রাজ্য সভাদা চরাংনবা থোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৯ (এজেন্সী) :
কোংগ্রেসনা থবক ফংদবগী ৱাফম পুখৎলকপদগী রাজ্য সভাদা চরাংনবা থোকখ্রে। জিরো অৱার মতমদা কোংগ্রেসকী মেম্বরশিংনা হায়খি মদুদি, লৈবাক অসিদা থবক ফংদবগী চাং ৱাংখৎলকপা মরম্না মীপুম খুদিংমক নীংবা কায়নরে।

ৱাফম অদু তারবা মতুংদা বি জে পিনা হীরম অসিগী মতাংদা নীংবা কায়রিবসি কোংগ্রেস খক্তা ওইরমগনি হায়না ফোঙদোক্লুবদগী রাজ্য সভাদা চরাংনবা থোক্তুনা হাউসকী মীফম য়ৈথোকপা তাখি।

জনতা দল য়ুনাইটেদ (জে দি য়ু)গী লুচিংবা শরদ য়াদবনা হায়খি, থবক ফংদবা হায়বসি অচৌবা প্রোব্লেম অমনি। গভর্ণমেন্টনা চহী খুদিংগী মীওই ক্রোর ২ থবক পীগনি হায়না ৱাশকখি। অদুবু ঙসি ফাওবা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা থবক ফংবা লৈত্রি।

সী পি আই এমগী সিতারাম য়েচুরিনা মতেং পাংশিল্লদুনা হায়খি, চহী খুদিংগী থবক ফংদবা মীগী মশীং অসুম-অসুম হেনগৎলক্লি। গভর্ণ-মেন্টনা অনইমপ্লোয়মেন্টকী প্রোব্লেম কোকহনগনি হায়না ফোঙদোকখিবা তারবসু থবক ফংদবা মীগী মশীং অসুম-অসুম হেনগৎলক্লে।

কোংগ্রেসকী লুচিংবা অনন্দ শর্মানা হায়খি, থবক ফংদবগী প্রোব্লেম অসি খুদোংথীনিংঙাই ওইবা থাক য়ৌরক্লে। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা হাউসনা খন্নবা মথৌ তাই।

ষ্টার্ট অপ ইন্দিয়া অমসুং মেক ইন ইন্দিয়ানা থবক ফংদবগী প্রোব্লেম সোল্ব তৌবা ঙম্লোই। ৱাফম অসিগী পাউখুম পীরদুনা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়র্স মুখটার অবাস নকবিনা হায়খি, মতম খরগী মমাঙদা ওইরম্বা ফীভম অদুগা য়েংনরুরবদি থবক ফংদবগী প্রোব্লেম খরমখৈ কোকহনবা ঙম্লে। গভর্ণমেন্টকী থবক নৎত্রবসু প্রাইভেট সেক্টরদা নহারোল কয়া থবক চঙবগী রিপোর্ট লৈরে। ৱাফম অসিদা নীংবা কায়রিবসি লৈবাক মীয়াম নত্তে। সুপ্নগী কোংগ্রেস পার্টি খক্তনি। কোংগ্রেসকী মেম্বর-শিংনা পার্টি অসিবু অতম্নবা হুন্দুনা ৱা ঙাঙবগীদমক মিনিষ্টরগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হাউসতা চরাংনবা থোকখি। মতাং অদুদা রাজ্য সভাগী দেপ্যুটি চ্যেরমেন পি জে কুরিয়ননা নাকল অনীমক পার্লিয়ামেন্টকী কাঙলোন ঙাক্লা ৱা ঙাঙবীনবা আপিল তৌখি। অদুবু কোংগ্রেসকী মেম্বরশিংনা স্লোগান লাউদুনা চ্যেরমেনগী পোদিয়ম তম্না চঙশিল্লকপদগী তঙাইফদনা হাউসকী মীফম য়ৈথোকপা তাখি।

মমাঙদা ওপোজিসনগী মেম্বরশিংনা মধ্য প্রদেশতা ষণশা পুরম্বগী ৱাহৌদা দলিট অমসুং মুস্লিম ফুরুপকী মীওইশিং তাথী-তাওইনা তৌবগী ৱাফম পুখৎখি।

জিরো অৱার মতমদা ৱাফম অসি পুখৎলদুনা কোংগ্রেসকী লুচিংবা মালিক অর্জুন খার্গেনা হায়খি, দলিট অমসুং মুস্লিম য়াওনা শোথহৌরবা ফুরুপকী মীওইশিং তাথী-তাওইনা তৌবগী থৌদোক মশীং থিঙমদনা থোকখ্রে। 'গাও রক্ষক সঙ্ঘ'গুম্বা ওর্গনাইজেসনশিং অথিংবা থমগদবনি হায়না তকশিল্লদুনা কোংগ্রেসকী মেম্বরশিংনা হায়খি, ষণশা পুরম্বগী ৱাহৌদা মুস্লিম নুপী অনী মীয়াম চঙদুনা ফুখিবগী থৌদোক অদুগী মতাংদা মতিক চাবা থবক লৌখৎকদবনি।

মধ্য প্রদেশতা হন্দক্তা নুপী অনী ষণশা পুরম্মী হায়বগীদমক মীয়াম্না ফুখিবগী মতাংদা মালিক অর্জুন খার্গেনা হায়খি, মুস্লিম নুপী অনী অদুনা ইরোই শা পুবনি হায়না ফনা কন্না হায়জরবসু মীয়াম্না তাবীবা তৌদনা তমথীবা মওংদা ফুখিবগী থৌওং অদু হকচিন্না লৌফম থোকই।

থৌদোক অদুগী মতাংদা হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা হায়খি মদুদি, লো এন্দ ওর্দরগা মরী লৈনবা ৱাফম ওইবা মরম্না মপুং ফাবা ইনভেষ্টিগেসন অমা চথদ্রিবা ফাওবদি হীরম অসিগী মতাংদা এক্সন লৌখৎপা চুমদে।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মধ্য প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা ইনভেষ্টিগেসন চথবা হৌরে হায়না ফোঙদোরকপা লৈখ্রবনিনা মতম খরা ঙাইবা মথৌ তাই। মরাল লৈবা মীওই খুদিংমক মতিক চাবা থবক লৌখৎনবা থৌরাং তৌদুনা লৈরি হায়না হোম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি। হোম মিনিষ্টরগী পাউখুম অদুদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা ওপোজিসন মেম্বরশিং হাউসতগী মপান থোকখিরম্মী।

# রাজনাথ সিংহনা ঙসি অসামদা চৎতুনা ঈচাওগী ফীভম য়েংশিনগদৌরি

গুৱাহাটি, জুলাই ২৯ (এজেন্সী) :
দিষ্ট্রিক্ট ২১ দা ঈচাও থোক্তুনা মীওই ২০ শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই লাখ ১৭ অৱাবা মায়োক্নুরিবা অসামদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা হয়েং হকথেংননা ঈচাওগী ফীভম য়েংশিল্লুগদৌরি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা নোংথক্তগী নাগাউন, মোরিগাউন অমসুং কাজিরঙ্গানচিংবা অসামগী ঈচাও থোক্লুবা মফমশিং য়েংশিনগনি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

মোরিগাউন দিষ্ট্রিক্টতা ঈচাওগী অৱাবা নংলবা মীওইশিং চঙজফম পীরিবা কেম্পশিংদা চৎতুনা মীয়ামগা ৱারী শানরবা মতুংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা অসামগী চীফ মিনিষ্টর সর্বানন্দ সোনোৱাল অমসুং অতৈ ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মকোক থোংবা ওফিসলশিং উনগনি হায়রি।

অসাম ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটি (এ এস দি এম এ)গী রিপোর্ট মতুংইন্না ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ২১ দা মীওই লাখ ১৭ হেন্না ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্নরে হায়রি। মীওই লাখ ১ রোম ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরি। ষ্টেট অসিগী খুঙ্গং ৩,৩৭৪ ঈশিং থুমজিনখিবগা লোয়ননা হেক্টর ২,১৩,২৫১ পাক চাউবা লৌফম অমাঙ-অতা থোক্লে হায়না এ এস দি এম এগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি। হৌজিক ফাওবদা ঈচাওগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা মীওই ২০ শিবা লৈখ্রবনি।

চীফ মিনিষ্টর সর্বানন্দ সোনোৱালনা ষ্টেট অসিগী মফম কয়াদা পায়খৎলিবা মী কনবা অমদি মতেং পাংবগী থবক থৌরমশিং হকথেংননা য়েংশিনবা লৈখ্রবনি। চীফ মিনিষ্টরনা য়েংশিনবা চৎপদা মথৌ নীংথিনা পাঙথোক্লমদবা ৱাটর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্টকী ওফিসল মরি মফম লৌথোকখি।

অমরোমদা, য়ুনিয়ন রেলৱে মিনিষ্টর সুরেশ প্রভুনা হায়খ্রে মদুদি, ষ্টেট অসিগী ঈচাওনা শোকহল্লবা মফমশিংদা পোৎ-চৈ পুশিনবদা শেল লৌদনা ট্রেন কয়া শীজিন্নহল্লগনি।

সোনোৱালগা টেলিফোনদা ৱারী শানখিবা অমদা সুরেশ প্রভুনা হায়খি, অসাম গভর্ণমেন্টনা ঈচাওগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং লৌখৎপদা ইন্দিয়ন রেলৱেগী ট্রেনশিং লেম্না শীজিন্নবা য়াগনি।

অমরোমদা, গুরগাউন, বেঙ্গলুরু, মুম্বাই অমদি হাইদ্রবাদ য়াওনা লৈবাক অসিগী মরুওইবা সীটি অয়াম্বা নোং কন্না চুবদগী খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নুরে।

দিল্লিদা নোং কন্না চুবদগী ঈশিং থুমজিনখিবা মরম্না নেসনল হায়ৱে ৮ দা চৎথোক চৎশিন তৌবা য়াদ্রে। হৌখিবা অহিংদগী নোং কন্না চুরকখিবা মরম্না লম্বীদা ঈশিং থুমজিল্লকপদগী মীয়ামদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্নহনখি। মুম্বাই, বেঙ্গলুরু অমদি হাইদ্রবাদতসু নোং কন্না চুবদগী মীয়াম্না চৎথোক-চৎশিন তৌবদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্নখি। হাইদ্রবাদকী ওইনা মেহদিপটনম, মধাপুর, টোলিচোকি, বেগমপেদ অমসুং সিকন্দরবাদতা ট্রাফিক জাম থোকখি। সেন্টরনা ঈচাওগী অৱাবা নংলবা ষ্টেটশিংদা এন দি আর এফকী টিম ৪৪ থাজিন্নবা থৌরাং তৌখ্রে।

# জি এস টি বিল - রাজ্য সভাদা ঙসি পুথোক্লবা য়াই



ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৯ (এজেন্সী) :
কেবিনেটনা অয়াবা পীখ্রবা গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্স (জি এস টি) বিল রাজ্য সভাদা হয়েং পুথোক্লবা য়াই হায়না থাজনরি।

মমাঙদা পাস তৌবা ঙমখিদ্রবা বিল অসি খরা শেমদোক-শেমজিন তৌরবা মতুংদা কেবিনেটনা অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা চখুরিবা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফম অসিদা শোয়দনা পাস তৌহন্নবা থৌরাং লৌখৎলি।

রাজ্য সভানা লেজিসলেসন অসি অয়াবা হেক পীবগা লোক সভাদা অমুক হন্না থাদদুনা এপ্রুভেল লৌগনি। য়ুমশকৈশ নুমিৎতা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা জি এস টি কন্সটিট্যুসনেল এমেন্দমেন্ট বিল অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা রাজ্য সভাদা পুখৎনবা শেম শাখিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা কেবিনেটনা বিল অসিগী মতাংদা ষ্টেট অমদি সেন্টরগী মরক্তা লৈরম্বা য়েৎনবা পুম্নমক কোকহন্নবগীদমক শেমদোক-শেমজিন তৌরবা মতুংদা চখুরিবা নোংজু মীফম অসিদা শোয়দনা পাস তৌহন্নবা থৌরাং লৌখৎখি।

মমাঙ চহীগী মে থাদা লোক সভানা জি এস টি বিল অয়াবা পীখ্রবনি। অদুবু রাজ্য সভাদা বিল অসি পাস তৌবা ঙমখিদে। চহী মঙাগী ওইনা ষ্টেটশিংনা মাঙজগদবা রেভিন্যুগী শেনফম পুম্নমক সেন্টরনা কম্পেনসেট তৌগনি হায়না ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা ষ্টেটশিংগী ফাইনান্স মিনিষ্টর খুদিংমক্তা থাজবা পীখ্রবা মতুংদা জি এস টি এমেন্দমেন্ট বিলগী ৱাফম য়ানবা পুরকখি। নৌনা শেমদোক্লবা বিল অসিগী মতুংইন্না অহানবা চহী অহুমগী ওইনা সেন্টরনা ষ্টেটশিংদা চাদা চাম্মা কম্পেন্সেসন পীগনি অমসুং মথংগী চহী অনীদনা মথংশিংনা চাদা ৭৫ অমসুং চাদা ৫০ কম্পেন্সেসন পীগনি হায়রি। অদুবু রাজ্য সভাগী সেলেক্ট কম্মিটিনদি চহী ৫গী মনুংদা ষ্টেটশিংনা মাঙগদবা রেভিন্যুগী শেনফম পুম্নমক সেন্টরনা চাদা চাম্মা কম্পেন্সেসন পীগদবনি হায়না রেকমেন্দ তৌখি।

গভর্ণমেন্টনা মথং চহীগী এপ্রিল ১ য়ৌদ্রিঙৈদা জি এস টি মপুং ফানা চৎনহন্নবা থৌরাং তৌরিবা মরম্না চখুরিবা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফম অসিদা বিল অসিবু শোয়দনা পাস তৌহনবা হায়বসি গভর্ণমেন্টকী অপাম্বনি।

# চহী ১৫ শুরবা দিজল গাড়ীশিং চেলহন্দনবা লিগেল প্রোভিজন লৈতে : গভর্ণমেন্ট



ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৯ (এজেন্সী) :
গভর্ণমেন্টনা নেসনল গ্রীন ট্রাইব্যুনেল (এন জি টি)দা হায়খ্রে মদুদি, হৌজিকমক্কী ওইনা চহী ১৫ শুরবা দিজল গাড়ীশিং মখা তানা চেলহন্দনবগী মতাংদা লিগেল প্রোভিজন লৈতে।

মিনিষ্ট্রি ওফ হেভি ইন্দষ্ট্রিজ এন্দ পব্লিক ইন্টরপ্রাইজেসনা হায়খি, জুলাই ১৮ অমসুং জুলাই ২০ দা এন জি টিনা চহী ১০ হেল্লবা দিজল গাড়ীশিংগী রেজিষ্ট্রেসন কক্নুবা দিল্লি গভর্ণমেন্টতা খঙহনখিবা থৌওং অদু মোটোর ভেহিকল এক্টকী প্রোভিজনগী মায়োক্তনি।

হৌজিকমক্কী ওইনা চহী ১৫ হেল্লবা দিজল গাড়ীশিং মখা তানা চেলহনবা য়াদে হায়বা লিগেল প্রোভিজন অমত্তা লৈতে হায়না মিনিষ্ট্রিনা এন জি টিদা পীশিনখিবা এফিদেবিট অমনা ফোঙদোকখি।

মিনিষ্ট্রিনা হায়খি, অরিবা দিজল গাড়ীশিং নমদুনা চেলহন্দবগা লোয়ননা রেজিষ্ট্রেসন কক্পা মতমদা মায়কৈ কয়াদগী গাড়ী মপুশিংনা কেস থাঙ্গৎলকপা য়াবা মরম্না হীরম অসিগী মতাংদা এন জি টিনা তহা-তহা থবক লৌখৎপগী মহুৎতা কুপ্না খন্নবা মথৌ তাই।

মিনিষ্ট্রি ওফ হেভি ইন্দষ্ট্রিজ এন্দ পব্লিক ইন্টরপ্রাইজেসনা পীশিনখিবা এফিদেবিট অদুনা হায়খি, গাড়ী মপুশিংনা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা কোর্টশিংদা কেস ফাইল তৌরকপা য়াবা মরম্না থৌরাং অসি তহা-তহা লৌখৎলোইদবনি। মোটোর ভেহিকল এক্ট, ১৯৮৮গী মতুংইন্না চহী ১৫ শুরবা দিজল গাড়ীশিং মখা তানা চেলহনবা য়াদে হায়বা ৱাফম লৈতে। পুম্নমক অসিগী মথক্তা অরিবা গাড়ীশিংগী রেজিষ্ট্রেসন কক্কদবনি হায়বা লো অমত্তা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈত্রি।

এফিদেবিট অদুনা হায়খি, মোটোর ভেহিকলশিংনা পোল্যুসন থোকহন্দে হায়বগী সার্টিফিকেট অমা পায়গদবনি হায়বা কাঙলোন অমা লৈবা তারবসু অরিবা গাড়ীশিং মখা তানা চেলহনবা য়াদে হায়বা ৱাফমদি মোটোর ভেহিকল এক্টতা য়াওদে।

এন জি টিনা গভর্ণমেন্টকী পাউখুম কৌরকখিবগী মতুংইন্না ৱাফম অসি মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবনি। মিনিষ্ট্রিগী মহুৎ শীনখিবা এদিসনেল সোলিসিটর জেনরেল পিঙ্কি অনন্দনা ৱাফম অসি ওগষ্ট ২ দা মখা তানা ট্রাইব্যুনেলদা পুখৎকদৌরি।

হৌখিবা জুলাই ২০ দা থোকখিবা ওর্দর অমদা এন জি টিনা হায়খিবনি মদুদি, লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা চেল্লিবা চহী ১৫ হেল্লবা দিজল গাড়ীশিংগী রেজিষ্ট্রেসন কক্পগা লোয়ননা তাঙ্কক নাইনা দিল্লিদা মখা তানা চেলহন্দনবা থৌরাং লৌখৎকদবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা দিল্লি গভর্ণমেন্টনা চয়োল অনীগী মনুংদা মতিক চাবা পাউখুম পীরক্কদবনি হায়নসু এন জি টিনা খঙহনখি।

এন জি টিনা হায়খি, রিজনেল ট্রান্সপোর্ট ওফিসরশিংনা অরিবা গাড়ীশিংগী রেজিষ্ট্রেসন কক্নুবা মতুংদা পব্লিক নোটিশ অমা থোক্তুনা দিল্লিগী ট্রাফিক পুলিসতা অরিবা গাড়ীশিংগী লিষ্ট অমা পীগদবনি অমসুং মখা তাবা থবক লৌখৎহনগদবনি।

# বি জে পিগী এম পি অনুরাগ থাকুর টেরিটৌরিএল আর্মিদা কম্মিসন তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৯ (এজেন্সী) :
বি জে পিগী এম পি অনুরাগ থাকুরবু লেমজনিংঙাই ওইরবা টেরিটোরিএল আর্মিগী ওফিসর ওইনা কম্মিসন তৌখ্রে।

টেরিটোরিএল আর্মিগী ওফিসর ওইনা কম্মিসন তৌরবা মতুংদা অনুরাগ থাকুরনা হায়খি মদুদি, লৈবাক্কীদমক ইথৌ পাঙথোক্নবা মতম পুম্নমক শেম শাদুনা লৈরি।

থাকুরনা চান্দিগরদা অইবা চাংয়েং অমা মায় পাক্লবা মতুংদা পার্সনেল ইন্টরভিয়ুদসু মায় পাকখিবদগী টেরিটোরিএল আর্মিদা ওফিসর ওইনা কম্মিসন তৌখিবনি। মহাক ভোপালদা হৌনবী মতুংইন্না ট্রেনিং তৌখি।

হিমাচল প্রদেশকী হমিরপুর লোক সভা কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী মায় পাক্লকখিবা বি জে পিগী এম পি অসি টেরিটোরিএল আর্মিগী রেগ্যুলর ওফিসর ওইরবনিনা মখা তাবা ট্রেনিং কয়াদা শরুক য়াগদৌরি।

থাকুরগী মপা পোকপা মপুবোকসু আর্মিদা থবক তৌরম্মী। বি জে পিগী এম পি অসিসু নহা ওইরিঙৈদা আর্মর্দ ফোর্সেসতা চঙনিংবগী অপাম্বা লৈখি। অদুবু ক্রিকেট অমসুং পোলিটিক্স লোমদা মায় ওনশিনখিবা মরম্না আর্মিদা চঙবা ঙমখিদে।

রেগ্যুলর আর্মিগী হেক মথংদা সেকেন্দ লাইন ওফ দিফেন্স ওইরিবা টেরিটোরিএল আর্মিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক চহী খুদিংগী তঙাইফদনা থা অমদি মিলিটরি ট্রেনিং তৌবা মথৌ তাই। মথৌ তারকপা মতমদা টেরিটোরিএল আর্মিগী মীওইশিং কৌখৎতুনা লৈবাক ঙাকপগী থৌদাং শীন্নদুনা লাকখি। বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই)গী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা অনুরাগ থাকুরনা এম পিশিংগী মরক্তগী মিলিটরি ফোর্সতা চঙবা অহানবা মীশক ওইরে।

CAS Medical & Engineering
An Institute Collaborated with ENRICHMENT, New Delhi
Keishampat Junction, Imphal
REGISTRATION OPEN
REGULAR MEDICAL COURSE for NEET EXAM, 2017
Registration FORM alongwith PROSPECTUS available from the CAS office.
Class for 1st batch Commencing from 8th August, 2016
Contact : CAS Office, Main Building, Keishampat Junction & New Block, Keishampat Opposite CCpur Parking.
Hostel for BOYS & GIRLS Available
HL-B/3121/28,29,30 July & 1 Aug

লায়েংজরি UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)
উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং
(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।
(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।
(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।
(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।
(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।
নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু
(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।
(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।
(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।
(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেন্নবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।
HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.
HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-
DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,
HL-B/3123/3/06-2/07